# ৩৩শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ পাঙথোকখ্রে



*ইম্ফাল,এপ্রিল ২১ঃ* ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা হিরো আই লীগকী সেকেন্দ দিভিজনগী মরিশুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা হোম মেটচ অমদা নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা দিল্লি য়ুনাইটেদপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা নেরোকা এফ সি গী গোলশিং অদু এস সুবাস, নিগেরিএন মচা ফেলিক্স, ওদিলি চিদি, লিবেরিএন মচা ভেরনে কে কাল্লোন অমদি বেভিদ লালবিএকজারা না মেটচকী ২২, ৩৮, ৮৪ অমদি ৯১ শুবা মিটতশিংদা পাঞ্জল অমমম চন্দুপা পুন্না গোল ৫ চন্দুনা মায় পাকখিবনি।

## অম্ফাগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইন্টর ক্লবকী ত্রান্‌ফরগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২১ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (এম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরীগী ঙসি প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মণিপুরদা লৈরিবা এসোসিয়েসন অসিগী মনুংদা এফিলিয়েট তৌরিবা ক্লবশিং অমদি শান্নরোইশিং ত্রান্সফরগী মরিক চুম্বা চেরোল ফোঙদোরক্লি।

অম্ফানা ত্রান্সফরগী খুৎ থাবা য়াবা কাংলুপশিং অদুদি শান্নরোই অমনা দিষ্ট্রিক্ট অমগী ক্লবতা শান্ননবা মতুং অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টকী ক্লবতা শান্নবগী মতাং দা য়েংশিনবা য়াই। মণিপুর ষ্টেট লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোইশিংনা অতোপ্পা ষ্টেট লীগতা য়াওদবা ক্লবশিংদা ত্রান্সফর তৌবগী মতাং অমদি মণিপুর ষ্টেট লীগ শান্নদবা ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টএসোসিয়েসনগী মতুং ইন্না লীগ শান্নবা ক্লবতা ত্রান্সফর তৌবা।

দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন অমসুং ক্লবশিংনা মণিপুর ষ্টেট লীগতা য়াওদবা শান্নরোইশিংগী ত্রান্সফর তৌবা ঙম্লি। মদুগী মনুং চান্না অম্ফানা ত্রান্সফরগী মতম অদু মথং থাগী ১০ দগী ১৬ কী নুংথিল পুং ১ দগীনা ৩ ফাওবগী মনুংদা মথৌ তাবা চেরোল অমদি ফি পীশিনবা য়াগনি হায়রি।



*য়ুরোপা লীগকী ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী কপ এন্দরলেকপু মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা ইংলেন্দগী মেচেষ্টর য়ুনাটটেদকী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোংকপা*




## নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২১ঃ* নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী সিজন ২০১৭–১৮ দা ইনরোলমেন্ট তৌনবগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি সিজন ২০১৭–১৮ দা ইনরোলমেন্ট তৌনবগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিংগী মমিং অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স, ইম্ফালগী নোটিস বোর্দতগী খংবা য়াগনি হায়না য়াসকী দাইরেক্টর অমদি এনএসএএমসি গী মেম্বর সেক্রেটরীসু ওইরিবা ঐচ দিলিপ সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# কেপ্টেন সুরেস রাইনাগী ফজরবা বেট্টিংনা গুজরাট লাইওন্সনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সপু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে






*কোলকতা,এপ্রিল ২১ঃ* ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগকী ২৩শুবা মেটচকী কোলকতাদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গুজরাট লাইওন্সনা কোলকতা নাইথ দাইরসপু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী তোচ গুজরাট লাইওন্সকী কেপ্টেন সুরেস রাইনানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী মাইকৈদগী ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৮৭ লৌখিবদা টিম অদুগী অহুমশুবা বেটচমেন রোবিন ওথোপানা খ্বাইদগী ফজবা মওংদা বোল ৪৮ দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৭২ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপন্নর সুনিল নরেসন্না বোল ১৭ সিক্স ১ অমসুং ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৪২ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী য়াম্না চাওবা মতেং ওইখি। কোলকতাগী ইন্নিংস রন ১৮৭ তা লোইশিনখ্রবা মতুং গুজরাট লাইওন্সনা মায় পাক্কবা রন ১৮৮ গী টারগেট তৌখি।

গুজরাটকী মাইকৈদগী সুরেস রাইনানা লৌখিবা বোল ৪৬ তা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৯ না মতেং ওইরগা রন ৮৪ না মায় পাকপগী পান্দম অদু থমখিবনি।

## ৩৩শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২১ঃ* ৩৩শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্বিমিং পুলদা হৌদোকখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা চহিশিংদা লৈবা নুপামচা অমদি নুপীমচা ২৫০ না শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গার্লস গ্রুপ ২ গী ফ্রি ষ্টাইল ৫০ মিটরদা এন এল এম য়ুনিটকী হেম্বোইবী, টি ব্রাই সি য়ুনিটকী ভেলেনা অমদি এ আর কে আর সি য়ু য়ুনিটকী এন স্বুটি চনুনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

৫০ মিটর ফ্রি ষ্টাইল বোইস গ্রুপ ১ দনা কে ব্রাই ও য়ুনিটকী ব্রাই তোন্দোনবা অমদি এম মোইরাংঙম্বা অমসুং এস সি কে য়ুনিটকী পি ববলু না অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

৫০ মিটর ব্রেষ্ট স্ট্রোক গার্লস গ্রুপ ৪ দনা এস ই দি ও দি সি য়ুনিটকী চিঙ্খেঙাম্বী, সি এস সি গী এল রিটিকা অমদি টি ব্রাই সি গী কে কেভসিরি না অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবাপোজিসন তাখি।

৫০ মিটর ব্রেষ্ট স্ট্রোক গার্লস গ্রুপ ৫ দনা টি ব্রাই সি য়ুনিটকী গাইত্রি থৌদাম্না অহানবা পোজিসন তাখি।

৫০ মিটর ব্রেষ্ট স্ট্রোক গার্লস গ্রুপ ৩দনা ই এস য়ু য়ুনিটকী মেরিনা সি ঐচ, সি এস সি য়ুনিটকী মাটিলদা অমদি এম জি এম সি য়ুনিটকী এল জেসিকা চনুনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

৫০ মিটর ব্রেষ্ট স্ট্রোক বোইস গ্রুপ ২ দনা দব্লিউ ব্রাই এল সি ও য়ুনিটনা এল ভেলনজিট অমদি কে কে দি এ য়ুনিটকী কে সি ঐচ মলেমঙানবনা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাখি।

১০০ মিটর ব্রেষ্ট গার্লস গ্রুপ ১১ দনা এন এল এম য়ুনিটকী এস হেম্বোইবী না অহানবা পোজিসন তাখি।

১০০ মিটর ব্রেষ্ট বেক বোইস গ্রুপ ৩ দনা এস ই দি ও সি য়ুনিটকী এম বেনহর অমদি এ আর কে আর সি য়ু য়ুনিটকী কে ঐচ জোসন না অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাখি।

১০০ মিটর বট্টফ্লাই বোইস গ্রুপ ১ দনা কে ব্রাই ও য়ুনিটকী ব্রাই তোন্দোবা অহানবা পোজিসন তাখি।

১০০ মিটর বট্টফ্লাই বোইস গ্রুপ ২ দনা এস ই দি ও সি য়ুনিটকী এন তেরিসনা অহানবা পোজিসন তাখি।

১০০ মিটর বট্টফ্লাই বোইস গ্রুপ ৩ দনা এস ই দি ও সি য়ুনিটকী এম অভিনাস না অহানবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর আই এম গার্লস গ্রুপ ৩ দনা টি ব্রাই সি য়ুনিটকী কে উরবসি, ই এস য়ু য়ুনিটকী য়াইফবী থৌদাম, টি ব্রাই সি য়ুনিটকী এল লৌশিং থোহেনবী না অহানবা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর আই এম বোইস গ্রুপ ৪ দনা সি এস সি য়ুনিটকী এস অথৌবা অমদি নাওবা অমসুং টি ব্রাই সি য়ুনিটকী টি ঐচ ইবোহনবী অহানবা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর আই এম গার্লস গ্রুপ ৪ দনা সি এস সি য়ুনিটকী রিটিকা না অহানবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর আই এম বোইস গ্রুপ ৩ দনা টি ব্রাই সি য়ুনিটকী করলিন না অহানবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর ফ্রি ষ্টাইল গার্লস ৩ দনা সি এস সি য়ুনিটকী দেকালু টি ঐচ পনমৈ, টি ব্রাই সি য়ুনিটকী এল লৌশিং থোইহেনবী না অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর ফ্রি ষ্টাইল বোইস ২ দনা এম জি এম সি য়ুনিটকী হিরেন সি ঐচ অমদি এস পুন্সিবা অমসুং এস সি কে য়ুনিটকী কে সি ঐচ কভিদাসনা অহানবা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

২০০ মিটর ফ্রি ষ্টাইল বোইস ৩ দনা এস ই দি ও সি য়ুনিটকী এম বেনহর অমদি এস সি কে য়ুনিটকী এন নিবাস না অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাখি।

৫০ মিটর বট্টফ্লাই বোইস গ্রুপ ৪ দনা সি এস সি য়ুনিটকী এল রিটিকা না অহানবা পোজিসন তাখি।

হয়েং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী তোঙান তোঙান্বা মশান্না কয়া মখা তানা শান্নরগনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*